www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

# সনালৈবাক

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তিগী লমজিং মখাদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা শীন্দুনা মোইরাং এ সিগী মনুংদা লৈবা লৌমীশিংদা নীংথম মহৈ-মরোংশিং থাননবা মরূ-মরাং য়েন্থোকপা থৌরমগী শক্তম



অরাপতি-উরুপ ফার্মর এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা রেভিন্যু অমদি সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মায় পাক্লবা লৌমী অমদা খুদোলপোৎ পীবা



মণিপুর বেপটিষ্ট কনভেন্সন (এম বি সি) সেন্টর চর্চ ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা খৃষ্টমাসকী থৌরমদা চর্চ অসিগী পাষ্টর লিবরেল জুআনকামাঙ দাইমাইনা যীশু খৃষ্টকী পাউজেল মীয়ামদা পীখিবা

Volume No: 44 Issue: 030 | IMPHAL THURSDAY 26 DECEMBER, 2019 | শগোলশেন, পোইনুগী থাশি / থাশু | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পুন্সিগী খ্বায়দগী কনবা চাংয়েংদি তাঞ্জা চাবা মীৎকুপ ঙাইবদুনি

## অঙৈং-অশা

| | |
|---|---|
| খ্বাইদগী শাবগী চাং | ঃ ২৩° সি |
| খ্বাইদগী ঈংবগী চাং | ঃ ৩.১২° সি |
| নোংজুগী চাং | ঃ ০ এম এম |
| নুমিৎ থোকপা | ঃ অয়ুক পুং-৫.৫৬ |
| নুমিৎ তাবা | ঃ নুংথিল পুং-৪.৩৩ |

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

| | |
|---|---|
| পেট্রোল লিটরদা | – লুপা ৭৩.১৭ |
| ডিজল লিটরদা | – লুপা ৬৫.৫৮ |

**X-MASS OFFER**

KLV-24P413D ₹ ~~15,600~~ = ₹ 13,990
KLV-32R202G ₹ ~~23,850~~ = ₹ 17,990
KLV-32R302F ₹ ~~26,600~~ = ₹ 20,990
KLV-32R422F ₹ ~~30,300~~ = ₹ 21,990
KLV-40R252F ₹ ~~43,900~~ = ₹ 33,990
KLV-40R352F ₹ ~~47,900~~ = ₹ 34,990
KLV-43W672G ₹ ~~56,900~~ = ₹ 44,990
KLV-50W672G ₹ ~~64,900~~ = ₹ 57,990

SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

## লোইরেদনা

মেরি খৃষ্টমাস অপুং, কৃষ্ণনিনা ঙসিদি ফ্রিন্দা ওইনা থক্কেদনা...!



তামো, প্রভুদি হিদাক থকপা য়াতেনে, অতুনা কৃষ্ণে মনুংদা য়ু তৌদরেনে...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### তম্বা নঙবু

তম্বা নঙবু কনানো
অহাংবা শেঙ্গাও কোন্দুনা
চাউখৎ থৌরাংগী ৱাজাও ঙাংলিবা
লোন্না লোন্না কপ্লিবা
মতোংনা মীনা চাখিবৈ
মরূনা মুন্দুনা লৌহৌবৈ
তম্বা নঙবু কনানো
মখোঙ নোম্লবা ফম্বালদা
নীংঙাইদনা ফমদুনা
খোমজিনবা য়াবা খোল্লিবা
লৌ ইঙ্খোলগী অশিংমন
তম্বা নঙবু কনানো
খোঙবুনা য়াদ্রবা লুচিংবা
নথন্তনা মফরে খঞ্জবা
মুকপনা লেম্বনি খঞ্জবা
তালোই তুথি ফজবা
তম্বা নঙবু কনানো

মিনিষ্টর রিসফল তৌনবা থাখিবা মতম নকশিল্লক্লে

# সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নরুনবা চীফ মিনিষ্টর দিল্লিদা চৎকদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫(এস এন এস)ঃ বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শৌগৎপদা য়াওরিবা এম এল এশিংনা চীফ মিনিষ্টর নত্তনা অতৈ মিনিষ্টর পূন্নমক মফম লৌথোক্লগা নৌনা মখোয় ১১ মিনিষ্টর ওইহনগদবনি হায়না থারকখিবা মতম নকশিল্লক্লে। মিনিষ্টর রিসফলনা ওইরকপা য়াবা খুদোংথিবশিং অমসুং কনা-কনা মিনিষ্টর লৌথোক্লগা নৌনা অমুক হাপকদগে হায়বগী মতাংদা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নরুনবা চীফ মিনিষ্টর অথুবদা দিল্লিদা চৎলবা য়াই।

পোলিটিকেল ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোক্ল-রকপা মতুং ইন্না হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা এম এল এ ওইনা মথং টার্মগী মীখল থেংনবদা মায় পাক্কনি হায়বা উরক্তবা কয়া য়াওরকপনা শিন্ন-শিন্নদুনা মিনিষ্টর ওইহনগদবনি হায়বগী ৱাকৎ অসি থাঙ্গৎনরকপনি। পোলিটিকেল ওবজার্ভর ওইনা হন্দক্তা ইম্ফালদা লাক্লম্বা বি জে পিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী (নোর্থ ইষ্ট) অজয় জমৱান মশামক্তা এম এল এশিংনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং য়াম্না ৱারৌনে। মরূ ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা কয়ারক হন্না মিনিষ্টরগী মশীং অমা হেনগৎহনগনি হায়না থাজবা পীদুনা লাকখিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) হন্দক্তি থবক্তা ওহোক্ত্রগদি লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লগনি হায়বা ৱাফম অমা ফোঙদোরক্কদৌরি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্লনবগী হৌখিবা অচৌবা লানহৌদা শরুক য়াখিবা নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মিনিষ্টর অহুমসু মখোয়গী খোঙফম হন্দোক্লনবা হোৎনবদা মিনিষ্টরগী ফম লৌথোক্লোই হায়বগী থাজবা পীখিবা লৈ হায়না নীংফুঙ-নীংফুঙ ঙাংনরি। হান্নদি মিনিষ্টর ওইরিবা মখোয় মরিগী মনুংদা অনী লৌথোক্লনবা খন্নখিবা লৈখি। বি জে পিগী এম এল এশিংগী ওইবা মীফম অমদদি মখোয় মরিমক মিনিষ্টর লৌথোক্লগা বি জে পিগী এম এল এশিংদা পীনবা ৱাফম ফাওবা খন্নখিবা লৈখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি মরা চেৎনা হৌজিক ফাওবা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা শৌগৎলিবা এম এল এ ৭ লায়থোকপগী ফীভম অমা লাকপা উবদা মখোয়সু সি এমদা ৱারৌরি। রিসফল তৌরকপদা মখোয়বু হেক লায়থোকপদা লৈঙাক অসি কয়াম কুইনা লৈখিগদগে হায়বা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা লাকহন্নবগী মরম মখোয়না কোংগ্রেসতা হনখিবনা ওইগদৌরি। মখোয়না করিগুম্বা কোংগ্রেসতা হনখিবা তারগদি কোংগ্রেসকী এম এল এ মশীং পূন্না ২৭ লৈগনি। মশীং অসি লৈরগদি মতম অমদা হেক্তা এন বিরেনগী লৈঙাক অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লরে হায়না লৌবা য়াই।

লৈঙাক পায়বদা য়াওবা এম এল এ অমনা পাউচে অসিদা হায়, কোংগ্রেসকী এম এল এ শ্যামকুমারনা বি জে পিদা চোংশিল্লক্লগা মিনিষ্টর ওইবা য়ারগা বি জে পিগী এম এল এনা কোংগ্রেসতা শৌগৎলগা মিনিষ্টর ওইবা য়াদে হায়বা লৈরোই।

গুদ গভরনান্স দেগা মরী লৈননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফোঙবা গুদ গভরনান্স ইন্দেক্স

# হেল্থ অমসুং হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট সেক্টরদদি মণিপুর ফিভম ফরে হায়বা উৎলে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৫(এস এন এস)ঃ হেল্থ অমদি হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট সেক্টরখক নত্তনা অতৈ সেক্টরদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিগী পার্ফোমেন্স পেন্নিংঙাই ওইদে হায়বসি ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ পার্সোনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সনগী দিপার্টমেন্ট ওফ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস এন্দ পব্লিক গ্রিভান্সেসনা পুথোকপা গুদ গভরনান্স ইনে দক্সনা উৎলে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট পার্সোনেল, পব্লিক গ্রীভান্সেস এন্দ পেন্সন ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা ঙসি গুদ গভরনান্স দেগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা গুদ গভরনান্স ইনে দক্সনা পীবা রেঙ্কিংগী মতুংইন্না মণিপুর অসি নোর্ঠ ইষ্ট অমসুং হিলস রিজনগী কাঙলূপতা অপুনবা ষ্টেট ১১গী মনুংদা ৮ শুবা রেঙ্কতা লৈরি। অদুম ওইনমক কাঙলূপ অসিদা হেল্থ সেক্টরদা খ্বাইদগী মকোক্তা অদুগা হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট সেক্টরদনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ষ্টেটশিংগী লৈঙাক্কী ষ্টেটস খঙদোক্লবা অমদি ষ্টেট লৈঙাকশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মায় পাকপগী চাং খঙদোক্লবা সেন্টরনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।



এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ সেক্টর, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, এনভাইরনমেন্ট, হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট, জুদিসিয়েল এন্দ পব্লিক সেক্যুরিতি, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার এন্দ দিভলপমেন্ট, ইকোনোমিক গভরনান্স, পব্লিক ইনফ্রাষ্টকচর এন্দ য়ুটিলিতিজ, পব্লিক হেল্থ অমদি সিতিজেন সেন্ট্রিক হায়রিবা সেক্টর ১০ অসিদা রেঙ্কিং পীরিবনি।

সেক্টরশিং অসিগী ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীবা কম্পোজিট রেঙ্কিংদা নোর্ঠ ইষ্ট অমদি হিলসকী ষ্টেটশিংগী কাঙলূপতা হিমাচল প্রদেশনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মথংদা উত্তরাখন্দ, ত্রিপুরা, মিজোরাম, সিক্কিম, অসাম, জে এন্দ কে, মণিপুর, মেঘালয়া, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশনা মকোক মথং তারি।

অচৌবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা তামিলনাদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি, মহারাষ্ট্র অমদি কর্নাটকানা অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা লৈরি। য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী কাঙলূপদা পোন্দিচেরিনা মকোক্তা অদুগা চান্দিগর অমদি দিল্লিনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা লৈরি।

তোঙান তোঙানবা ইন্দিকেটর ৬ তা য়ুম্ফম ওইরগা চখবা সর্ভেদা পব্লিক হেল্থ সেক্টরদা মণিপুরনা নোর্ঠ ইষ্ট অমদি হিলস ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে। অপুনবা পোইন্ট ১গী মনুংদা মণিপুরদা ০.৮০ ফংদুনা মকোক্তা লৈবনি। মসিগী মথংদা সিক্কিমনা ০.৭২ ফংদুনা অনীশুবদা অদুগা মিজোরামনা ০.৬৭ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি হায়না পল্লি।

হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট সেক্টরদা অপুনবা পোইন্ট ১গী মনুংদা মণিপুরনা পোইন্ট ০.৫৪ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈখি। হিমাচল প্রদেশনা ০.৭৪ ফংদুনা অহানবা অমদি *মখা লমায় ৩দা...*

# ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রুল ওফ লো চৎতে, তৌনিংবতা তৌই: সমরজিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ঃ মণিপুর মর্জরর এগ্রীমেন্ট হায়বা অমনা ইন্দিয়াদা মর্জর তৌবা য়াদে, মসিদি ইন্দিয়ান মচানা শেমজিন শাজিনবা ফেক দোকুমেন্টনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রুল ওফ লো চৎতে, তৌনিংবতা তৌই হায়না গভর্ণমেন্ট-ইন-এগজাইনগী মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৱাঙাংলোই নারেংবম সমরজিৎনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

লন্দনদা বেজ তৌদুনা লৈরিবা ফোরেন এফিয়াস এন্দ দিফেন্সকী মিনিষ্টরনি হায়জবা নারেংবম সমরজিৎকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া অসি কুমজা ১৮৫৮ তা বৃটিশতা এন্নেক্স তৌরবা মতুংদা বৃটিশ ইন্দিয়া ওইবগা লোয়ননা বৃটিশ কোলোনি অমা ওইরে, বৃটিশ ইন্দিয়া অসি অমুক কোলোনাইজ তৌরবা মতুং দা ইন্দিয়া (প্রোভিজনেল কন্সটিট্যুসন) ওর্দর ১৯৪৭ গী সেক্সন ১৫০ এন্দ ১৫৫ দা ইন্দিয়াগী টেরিটোরি অসি অনী থোক্না ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ গী মতুং ইন্না খাইদোক্লগা ইন্দিয়া (দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া) অদুগা পাকিষ্টান (দোমিনিয়ন ওফ পাকিষ্টান) হায়না শেম্লে।

দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদি ইন্দিয়া (ইম্পাইয়র ওফ ইন্দিয়া) গী পার্ট অমা ওইনা লৈহৌরে অদুগা দোমিনিয়ন ওফ পাকিষ্টোনদি ওইদরে। হায়রিবা দোমিনিয়ন অসিদি ইন্দিপেন্দেন্ট দোমিনিয়ননি সোভরেন্টি য়াওদে মরম অসিনা ষ্টেট অমা ওইদরি। কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৫ দা ইন্দিয়ানশিং ইন্দিপেন্দেন্স ফংলে হায়বদি ইন্দিয়া মচানা শেমজবা গভর্ণমেন্ট অমা লিংলে অমদি ইন্দিয়ানশিংনা মশানা লৈবাক ঙাকপা হৌরে। অদুবু ইন্দিয়া মচাশিংনা মশানা লৈঙাকচরবসু বৃটিশ লোগী মখাদা শেম্বা গভর্ণমেন্টনি হায়বদি ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ অমদি ইন্দিয়া (প্রোভিজনেল কন্সটিট্যুসন) ওর্দর ১৯৪৭ গী মখাদা ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াদা রুল তৌবনি। মরম অসিননি *গভর্ণমেন্ট কেন চেঞ্জ এন্দ গভর্ণমেন্ট কেন রিপ্লেস বাই অদরস* হায়বসিনি হায়নসু পল্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্ট (কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস) ওইরগসু এগজিক্যুটিভ ওথোরিটিদি ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টদা লৈতে। এগজিক্যুটিভ ওথোরিটিদি মতম অদুদা লোর্দ মাউন্টবেট্টন, গভর্ণর জেনরেলনা ওইরি। লোর্দ মাউন্টবেট্টননা এগজিক্যুটিভ ওথোরিটি ওইবনিনা মাউন্টবেট্টন নত্তনা ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর অমত্তা অতোপ্পা ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্ট অমদি সি রাজাগোপালচারি গভর্ণর জেনরেল ওফ দ দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা ওর্দর থোকপা ঙমদে অদুগা য়াদে।

লোর্দ মাউন্টবেট্টনদি গভর্ণর জেনরেল ওইনা হিস মেজেষ্টিনা ওর্দর থোক্লগা হাপ্পনি। মাউন্টবেট্টনদি গভর্ণর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াসু ওই অদুগা গভর্ণর জেনরেল ওফ দ দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াসু ওই। মাউন্টবেট্টনদি হিস মেজেষ্টিস রিপ্রসেন্টিটিভনি অদুগা সি রাজাগোপালচারিদি গভর্ণর জেনরেল ওফ দ দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানি। সি রাজাগোপালচারি ইন্দিয়ানগী লেজিসলেচর ওফ দোমিনিয়ন ওফ লো অমা শেম্লগা কুমজা ১৯৪৮ কী জুন ২২ দা গভর্ণর জেনরেল ওফ দ দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ওইনা হাপ্পনি। ইন্দিয়াগী ট্রান্সিসন পেরিয়দ কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৫ দগী হৌরগা কুমজা ১৯৪৮ কী মার্চ ৩১ দা লোইরে। কুমজা ১৯৪৮ মার্চ ৩১ গী মতুংদা মাউন্টবেট্টন ওইরবসু *মখা লমায় ৩দা...*

# সি এস আই আর নেট রিজল্ট থেঙথরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫(এস এন এস)ঃ চহী অসিগী ওইনা নেস্নেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন টি এ) না দিসেম্বর ২ দগী ৬ ফাওবা সেন্টর ৭০০ তা কেন্দিদেট লাক্ষ ১০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা য়ু জি সি নেট এগজামিনেসনগী ফাইনেল এন্সর কি অপলোদ তৌরকখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা রিজল্টশিং হায়দোক্লগনি। অদুম ওইনমক অসাম অমসুং মেঘলায়াগী সেন্টরশিংদা এগজামিনেসন কেন্সেল তৌখিবা মরমনা সি এস আই আর নেটকী রিজল্টদি থেংথরগনি হায়না পাউগী লিখুন অমনা হায়রি।

অসাম অমসুং মেঘলায়াগী ওইনা নৌনা মতম লেপ্তুনা দিসেম্বর ২৭ তা সি এস আই আর নেট এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি। মসিদা কেন্দিদেট ৭,৫০০ রোম শরুক য়াগদবনি। এগজামিনেসন অদুগীদমক অনৌবা এদমিট কার্দশিং থাদোকপা হৌরে হায়না পাউ অদুনা মখা তানা হায়রি।

এগজামিনেসন অদু লোইরবা মতুং দা নেস্নেল টেষ্টিং এজেন্সিনা মরী লৈনবা এন্সর কিশিং *মখা লমায় ৩দা...*

# নাচোম চিনবগী চৎনবী অমদি মরূ ওইবা কাউনখ্রে



মাইবম কেনেদী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (এস এন এস)ঃ খুন্নাই অসিগী চনু নিঙোলশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী মনম নুংশিবা, মপূং মরৈ ফারবা মখল কয়াগী লৈরাংশিং নাচোম ওইনা নৎত্রগা শমজিরৈ ওইনা চিনবগী চৎন- লোনচৎ অমসুং চিনবগী মওং-মতৌ অদুনা চনুনি নৎত্রগা নিঙোলনি হায়বা খঙনবগী খুদমশিং লোয়নমক কাউনখ্রে।

লৈশাবী ওইরিঙৈদো সাই ককপা, খোইখাদা ফনেক শেৎপা অমসুং মৌ ওইরবা মতমদা শন্নাং খোমগৎপা, ফিদোন চিংখৎলগা শেৎপগী চৎনবী হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। মৌগা লৈশাবীগগী মরক্তা খেন্নবা পুথোকপা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মতম অমদা মঙাল নায়বা চৎনবী ওইরম্বা নাপ্পদা নাচোম চিনবা অমসুং শমজিদা শমজিরৈ হাপ্পগী চৎনবীদু কনাগুম্বনা হিঙ্গৎহন্নীংবদগী লৈ মখল কয়া থারগা নাচোম, শমজিরৈ শেম-শারগা য়োনবা হৌনরে।

তখেল্লৈ, চিঙ্গোংলৈ, পেট্রুকলৈ, কুন্দালৈনচিংবা লৈরাং কয়ানা পুনশিন্দুনা শেম্লবা নাচোম চিনবগী চৎনবী অসি লমদম অসিগী মৈতৈশিংগী পাখঙ-লৈশাগী নুংশি নুঙোলগী লমদা তৎন-থানবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা ওইদুনা লাকখি। মপূং-মরৈ ফারবা নুপী অমনা করিগুম্বা নাচোম অসি ওইথংবা নাপ্পদা চিল্লবদি নুপী অদু য়ূম্বানবগী লম্বীদা খোঙদাদ্রি নৎত্রগা খঙন-চান্নবা লৈত্রি হায়বা তাক্লরম্মী। লোয়ননা য়েৎথংবা নাপ্পদা চিল্লগনা য়ূম্বানবগী লম্বী খোঙদারে নৎত্রগা খঙন-চান্নবা লৈরে, অরেপ্পা লৈরে হায়না তাক্লরম্মী হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়নৈ।

অমরোমদা, লৈশাবীশিংনা লাই হরাউবদা শরুক য়াবা মতমদা নাপ্পদা লৈ মরূ ওইনা অঙাঙবা মচুগী লৈ চিল্লি। মৌগী কাঙলূপ্তা চল্লবী নুপীশিংনসু শমজিদা লৈ থেৎপগা লোয়ননা অঙাঙবা মচুগী লৈনা নন্না নাপ্পদসু পান্না চিন্নৈ। অদুবু হৌজিক্তি লৈশাবী অমসুং মৌশিংনা ফজনা চিনবা য়াবা লৈশিং মরাং কায়না ফংদবদগী লাই হরাউবদা প্লাষ্টিক্কী লৈনা মহুৎ শিনবা থেংনরে। লোয়ননা লৈশাবী অমসুং মৌ হায়বা খায়দনা শন্নাংগী মফম খরদা মনম চেনবা লৈহাও মশীং অমদগী হেন্না য়ানবসু চৎনৈ। শন্নাংদা লৈহাও য়ানবদি ঙসিসু অদুমক চৎনরি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা কলচরেল এক্তিভিষ্ট মুতুৱা বহাদুরগা উন্নরুবদা মহাক্না হায়খি, লৈ নাচোম অসি মরূ ওইনা *মখা লমায় ৩দা...*

# মণিপুর দিগ্রী সেলসিয়স ২.০২ য়ৌনা ইংলে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫(এস এন এস)ঃ অইং অশা হোংলকপগী খুদম অমা ওইনা ঙসি ইংবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ২.০২ য়ৌরে। লোয়ননা মণিপুরদা ইংবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মণিপুর লৈঙাক্কী ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মমাঙগী নুমিৎতা ওইখিবা দিগ্রী সেলসিয়স ২.৭২ অদুনা মণিপুরগী খ্বায়দগী ইংবগী চাং ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী ওইনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা ইংবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ২.০২ অমদি খ্বাইদগী শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ২১.২ ওইখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী ইংখিবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খ্বাইদগী ইংবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ৩.১২ অমসুং খ্বাইদগী শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ২৩, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিগ্রী সেলসিয়স ৫.৫৪ অমসুং খ্বাইদগী শাবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ২৪.৮৬ ওইখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খ্বাইদগী ইংবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স ৫.১৯ অদুগা খ্বাইদগী *মখা লমায় ৩দা...*




MOST TRUSTED NATIONAL BRAND SINCE 1998 WITH 27 CENTRES IN 13 STATES AND 25,000+ SUCCESS STORIES

TAKSHILA COMMITTED FOR EDUCATION
Estd. 1998

**TAKSHILA® INSTITUTE**
(A Unit of Takshila Academy (P) Ltd.)
in association with Heritage Convent

**ADMISSION OPEN**

COURSES on OFFER

- JEE
- NEET
- FOUNDATION

| TAKSHILA CAPSULE NEET (TCN) for NEET - 2020 | TAKSHILA CAPSULE JEE (TCJ) for JEE - 2020 (April Session) | TAKSHILA CRASH COURSE NEET(TCCN) for NEET - 2020 |
|---|---|---|
| Eligibility : 12th Passed | Eligibility : 12th Passed | Eligibility : 12th Passed / Appeared |
| Duration : 3½ months | Duration : 2½ months | Duration : 1½ months (45 days approx.) |
| Batch Starts : 13th Jan., 2020 | Batch Starts : 13th Jan., 2020 | Batch Starts : Mid March, 2020 |
| Mode of Admission : Direct Admission | Mode of Admission : Direct Admission | Mode of Admission : Direct Admission |
| Classroom size : 40-45 | Classroom size : 40-45 | Classroom size : 40-45 |
| Course Fee : ₹ 16,999/- | Course Fee : ₹ 12,500/- | Course Fee : ₹ 9,999/- |
| (First Come First Served) | (First Come First Served) | (First Come First Served) |

**Admission FREE for Super achievers :**
1. Position holders in X or XII Board Exam (Any Board)
2. 85% and above in X or XII Board Exam (Any Board)
3. Students of Heritage Convent securing 75% and above in HSLC who are eligible to take NEET/JEE 2020

TAKSHILA Advantage :
- Takshila Institute with its Head Office at Rohini, New Delhi- the most trusted National Brand with 27 centres pan India
- 21+ years experience in NEET/JEE coaching
- Highly qualified IITians, NITians and Doctors as permanent faculty
- 25,000+ success stories in the past 21 years
- ONLINE/OFFLINE doubt clearing session
- Study materials designed by Takshila Research and Development Cell (Over 40,000 Questions per subject)
- Takshila Tab with centralised live classes from Head Office at Delhi
- Result analysis for every student to identify their weak as well as strong area.
- Wifi campus
- Brought to you by Heritage Convent at Thangmeiband D.M. College Road, Imphal (Manipur)

Scan

For more details contact TAKSHILA Imphal Branch at
Takshila Heights - Thangmeiband D.M. College Road, Imphal-795001 (Manipur)
Phone : +91-6009445522
Website : www.imphal.takshilainstitute.in
Email : imphal@takshilainstitute.in